ৱারী ককনাউ

# ফোনগী ময়াই

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

"*ননাওদো* নুপী অমা চেল্লকএয়ে", ঐখোয় মমানা চা পুথোক-পুথোক্লা হায়রকপনি।

পাউচে পারম্বা ঐনা সৎ লাওনা য়েংখৎলগা ইঙক ঙক্লা হংলুই,

"ননাও হায়রিসিবো...?"

"হেরা ঐখোয় রোমেশকী মচানুপা ননাও খঙদ্রবো হায়রিসিবো?"

"হায়মা মাদি কমাইনা নুপী চেল্লকইবা"

"কৈনো মীনা নুপী চেল্লকঅগা কমাই চেল্লকইনো হায়রিসিবো?"

"হেরা ঐনা হায়দি ননাওদি শাথিনা অঙাং ওইরিদনা, অদুই ৱানিদা"

"হুম! অঙাং ওইগেরা, অহল ওইগেরা, নুপী চেল্লকঅদি চেল্লকএ" হায়রম্মগা ঐখোয় মমাদু ইমুংলোমদা চঙখি। ঐনবু লাউরপ হংহৌই,

"চহীবু শুরমখিরোইনে, অশ ওন্থোকপা হায়দু তারেহে" চাদু পায়খৎতুনা অমুক অনীরক চিংলগা শুম নোকনিংবা ফাওরকই। ননাও হায়রিসি মানা শুগে হায়না শুরম্মবদা চহী ১৫ মুক্কা শুরম্মগদ্রা-শুরম্মোইদ্রা খঙদে, অদুৱাইদদি লৈরমগনি, করি ৱাখলদগী কমাইনা নুপীদু চেল্লকইনো, নুপীদুনা চহী কয়া শুরম্মনি, লেঙ্গা ওইরমগদ্রা...অঙকপনিকো। শুম খন্না খন্না চাদু থকই। য়াম নোকনিংবা হায় তারে তারিবা পাউসি। মানা হৌজিকপু নুপী থিরগা কৈনো তৌদৌরিসিবো? ননাও অমদি রোমেশকী খল্লুবদা মথাসি ইথন্তা শাগৎলকই। ইমুংদা ওনশিল্লগা লাউরুই।

"ঐ ঙাইহাক্তা চৎপীরুগে, জর্সিদু অমুক্তা পুথোরকউ। ঐখোয় মমানা ঐগী অমুবা মচুগী জর্সিদু পুথোরকই। লিৎশিল্লে, অদুগা রোমেস হোইদা লাকই। রোমেস হোই য়ৌবদদি মাঙ্গোলদা কুম্মে মচা অমা তৌ লৈরম্মে। রোমেসতু শাউবাইবু হেক্তা মমৈ মকোক খঙদখে শাউবদা লোইরে। ফমসু ফমদে, হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা ঙাঙ লৈরম্মী।

"চৎলোই হায়দোকপগা অমত্তা চৎলোই, মতিক মপা চাদনা করিগীনো মানা মতু অদুক য়াম থিনিংঙিদুবো"

মাই নুপীনা থেম্মী, "ঙাইখোসে ঐগা তপ্নমুক্তা ঙাঙনসি, থোকখ্রদি থোকখ্রেদনা, হৌজিকপু হায়দোকপা চৎত্রদি মীনা করি হায়খিদুইনো?"

ঐ লাকপা উবদা মাগী নুপীনা মকোক্তু হায়রপ খুম্মগা মোরা অমা থাদুনা কৌশিল্লকই, "ইতৈ শোমদা লেংশিনবীয়ু"

"তারিবা পাউসিবু চুমব্রানে"?

"চুম্মী তাদা, ওন্থোক্লা মথোং চাদবা হায়দুনি, ঐসে মচা ৱারকপা ঙমদবা মপা হায়দু তারে" রোকেসনা খুম্মকই।

"ঙাইখো ঙাইখো, করি লমদগীনিবু হায়গেনে?"

"থাংমৈবন্দদা অশানবা য়ূমদা লৈরগা ক্লাস আইট তম্লি হায়, খরা থাপ্লা মফমদগী ওইরমাল্লে", রোমেসকী নুপীনা কোইরপ তৌনা খুম্লকই।

"ইসে কমাইনা তৌরিজাৎনো, অঙাংনিনে"

"হৌজিক লাকঅনি তাদা?"

হায়নরিঙৈদা ননাওগী মমান্নবা অমগা লোয়ননা ননাওনা তুং থংলপ লৈথরগা ইকায়না চঙলকই। নুপীমচাদু পীকখ্রে, ফনেক শংলি শংলি তৌবা অমা শেৎলি, মদুসু শেৎপা হৈতবগী ফৈজে চৎলি। মনাদা কোরিয়ন হায়ব্রা কৈনো চুউম্বদা শিবা সনা অমা চিল্লি। মশমদুনা হুগৎলগা হিয়র বেল অমা লৱাইদুনা ইকোয় কোয়না ফাই। মকোক খুমনিগা খঙপোত্তে, মৌনেনা চঙকইদু। রোমেসতি লৈথোল্লগা লৈ হন্নগা য়েংদে, ঐখোয়গী মাঙদুদা ফদৎ-ফদৎ মরী মরী চঙনখি। নোকনিংবনা হেক্তা খাঙবা ঙমদবনি ঐ। নোক্লুবদি য়াদবনিনা ঙক্তা য়ানবা মফলরদুনা চিনসি হায়রপ খুম্মগা মখোন থোক্তনা হাইফেৎ নোকই।

হন্দক মচানুপাদুনা মোবাইল ফোন অমা লৈদবা য়াদে হায়না নিঙাই তৌবদগী মমানা লৈরুমাল্লে, মদুদা কৈ-কৈনো খরা হায়নবদগী নুংশিনরকইনি হায়নে, খঙনবসু থা অমরোমদমক ঙাইরি হায়। ৱারী শান্নরিঙৈদুদা হায়দোকপা চৎনবা থৌরাং তৌনরে, লম হংলুবদুদা, মৌ মচাদুনা, ঐসু য়াওগে ঐখোয়গী লম্বী হাইজিনফমদু খঙোই, মা তাক্কে" হায়না মাঙ্গোন্দা ফন লাওনা চোঙথোরল্লগা হায়রকপদুদা ময়াম পূম্নমক মৌ মচাদুদা লোইনা য়েংঙগা ৱা লাউনা হেক নোকই। ইমুংদগী মনেম ওইদৌরিবা রোমেসকী নুপী অমদি ননাওদু পরপ পরপ থোরল্লগা শুপকোন কোন্দুনা ইমুংদা পুশিনখি। মচানুপা কাংরুমুক চাওবা ননাওনা মমাদা হায়রপ শাউনীংবগী মিৎয়েং য়েংখি। ময়াম অমুকসু ৱা লাওনা নোকই। রোমেসতি মকোক পায়রগা মঙক নোম্থরগা ফমথখিবদগী ফনা কুইনা হৌগৎলকখিদে। ঙাইহাক লৈরগা ফুক হৌগৎলগা থোঙজিন্দা লেপ্লগা ইমুংদা ওনশিল্লগা লাওখি- "মসি পূম্নমকসে নঙনা নচাগী মোবাইল ফোন লৈরুবদগী থোক্লিবনি, নুপী হায়দোকপা চৎত্রিঙৈদা নঙ হান্না নপাম চৎলো লাও"।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১। মণিপুরী লোনগী লাইরিক্তা ইহান হান্না সাহিত্য একাদেমি এৱার্ড পীখিবসি করম্বা চহীদনো?

২। অইবা এলাংবম রজনীকান্ত করি লাইরিক্তা একাদেমি এৱার্ড ফংখিবগে?

৩। "কমদৌই? / হিংমিন্নবদি অমুক্তা পূন্না / ঐখোয় ঈশেন চান্নন।" ৱাহৈশিংসি অইবী নুপী কনানা হায়বনো?

৪। বাংলা নোভেল 'Jai Jayanti' বু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোকলোয়দু কনানো?

৫। 'খ্বাইগী হোটেল' কৌবা দ্রামাদু কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ২৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯ গী পাউখুম মরি চুম্না থাবীরকখিবদি

*১। সগোলসেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* *(৪)*

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৯ গী ৱিন্নর

*সগোলসেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ৩৮ অমসুং ৩৯ গী খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

জান্যুৱারী ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯ গী পাউখুম

১। 'নুংশি ৱাখৈবা' উপন্যাসকী অইবদু কনানো? ঃ- রাজকুমার শীতলজিৎ

২। 'থোঙ লোনখ্রবা পান দুকান' ৱারীমচাগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো? ঃ- মাইবম নবকিশ্বর

৩। "অদুবু ঙসিদি / য়েকপা ঙমদরে মী অমদি শাগী খেন্নবা" ৱাহৈশিংসি অইবী কনানা হায়বনো? ঃ- অঙোম সরিতা

৪। 'Iris of the Sky' হায়না ইংরাজিদা শৈরেং লাইরিক অমা হন্দোকপা হন্দোকলোয় অদু কনানো? ঃ- আর কে ব্রোজেন (বি এস রাজকুমার)

৫। 'ঈশৈ অমতং নঙমুক ফজবা' ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো? ঃ- যোদ্ধচন্দ্র সনসম

লমকোয় ৱারী

# পুন্সিগী খোঙচৎশিং নীংশিংলকপা

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

**ক্যুবাদা মণিপুর নীংশিংলকপা**

লালহৌবা লৈবা লৈবাক্তি হায়দুনসু লম্বীদা, লমজাওদা পুলিস নত্রগা সিফাই অমত্তা উদে। ঐখোয়না লৈরিঙৈ মনুংদা ইরাং, ক্রাইম থোকপগী পাউসু অমত্তা তাদে। য়াম্না ঈংনা-চিক্লা লৈবা উই। ঈরাং লৈরগদি সিফাই, পুলিসশিং লৈফম থোকপনি। মীপূম খূদিংমক মথৌ চিল্লি। সিফাইগী জিপ, বস অমা ফাওবা টাউন মনুংগী লম্বীদা থৌবা উরক্তে। হোটেলগী মেনেজরদা, লালহৌবা কল্লি হায়রগা সিফাই নত্রগা পুলিস অমত্তা টাউনসিদা উদে করিগীনো হংলুই। মখোয়না হায়রকই,

- সিফাইদি বোর্ডরদা লেংদনা লৈগনি, মীরক্তা লৈগদবা নত্তে। মখোয়না ঐখোয়গী বোর্ডর ঙাক্লি। মখোয়না সিটি মনুংদা মখোয়গী জিপশিং কৈদৌনুংদা থৌজিল্লক্লোই। লালগী মতমদদি মীচমশিংগী পুন্সি কন্নবা থৌজিল্লকপসু য়াই। পুলিসশিংগী মখল য়াম্মি। মাগী-মাগী মথৌগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান্না লৈরি। ঐখোয়না ফোংনা উদবননি, মখোয়গী ইর্ন্টিলিজেন্সশিং লৈরি। য়াম্না কুপ্পথবদি ঐসু খঙদে। মথৌ তারবদি পাউ পীখ্রগা খুদক্তা মখোয় লাক্কনি।

ওর্গেনাইজরশিংনা, লালহৌবগী ঈরাং কনবা লমদম্নি চেকশিল্লু তোয়না হায়রকই। মফমসিদা, ক্রাইম থেংনদে, সিফাই অমদি পুলিস উরক্তবদুদা, কমদৌবা লালহৌবগী ঈরাংনো হংখি। ঐখোয়গী মণিপুরদদি-মী চিনবা কৈথেল মনুংশিং, লম্বীগী ৱা লৈতে, সিফাইনা পীক থল্লি। মখোয়না খাম্নিংবা, চঙনিংবা মফমদা থৌজিল্লি, খামজিন্দুনা লম্বী-লমজাওশিং চিলহল্লি। লম্বীদা চৎলিঙৈদা, তুংলোমদগী সেক্যুরিটি লাল লাকপদৌনা সাইরেল খোঙদুনা, হুইসল খোংদুনা কন্না থৌজিল্লকই। মখোয়না হান্না চৎখিনবা হোৎনৈ। চৈনা লাম্লগা মী ফুবা, তানখাইবা অসিগুম্বা ময়ামসি তোয়না থোকখি। লালহৌবশিংগী মরক্তসু ৱাখল মান্নরক্তবদগী, মখোয় মশেলগী মরক্তা তোংঙান তানরকপা কয়া কয়ানি। অসিগুম্বা ৱারীসি ঐখোয়গী ইরমদমদদি তোয়না তাদুনা লৈরিবা ৱাফম্নি। ঐ ৱা মখা তাখিদে। মরমদি ঐখোয়না লৈরিবসি মণিপুর নত্তে ইন্দিয়াসু নত্তে। লৈঙাকলোন তোংঙাল্লি। থাক খেন্নে।

ঐখোয়গী প্রোগ্রামশিংদি মহৌশাগী মহৌশানি। ফনা কুইনা য়ূম থাদোকলল্লবনি হৌজিক ফাওবদি ঐখোয়গী মরক্তসু অনা-অয়েক য়াওরকত্রি মসিমদি ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক ফবনি। এম্বেসিনা শীনবীদুনা ঐখোয় ক্যুবাগী মরুওইবা য়েংফম অমদা চৎলি। মখোয়গী অরীবা ম্যুজিয়ম য়েংলকখি। ইথৎ মপান হংচিৎ লাংহল্লকই। মখোয়গী কৈথেলশিংদা অচৌবা ৱাইখু, থেঙ্গু মখল কয়া য়োল্লি। সাইদ সিয়িং হল্লকপদা অচৌবা ক্রোসিং স্কার অমদা মীয়াম তিনবা উই। গাড়ি ময়াম ঙাইহাক থাপ্লা পরেং লেপ্পী। লেপ্লিবা বস মরক্তা ঐখোয়গী বসসু য়াওখি। মী য়াম্না চিল্লি করিগীনো হংলুবদা, ঐখোয়বু পুরিবা বস দ্রাইভর অদুনা হায়রকই, "ঐখোয়গী নীংতম লান্মীগী লুচিংবা অমনা ৱা ঙাঙগনি।

মহাক্না ঙাঙবা লোইবগা মাইকেল জেকসনগী ঈশৈ শক্কনি। ঙাইহাক লৈরগদি লম্বী অসিসু মীনা ফুনখ্রগনি।" নহালখৈ উদবা পুলিস খর মখুৎতা হুই অমমম্ পায়দুনা লম্বীদা লেপ্তুনা লৈরম্বা উরকই। দ্রাইভর অদু মহাক্না উপ্লিবা টুপী অদু লৌথোল্লগা মকোক হায়ফেৎ নোনখি। মখাদা কুম্মদুনা ঙাইহাক লৈরম্লগা বসতা অমুক কাখৎলক্তুনা থৌবা হৌই। ফনা শাংনা লাক্লবা মতুংদা ঐখোয়গী লৈফম য়ৌরে বসতগী কূমথবা মতমদা ঐনা দ্রাইভরদা হংখি, ঙসাই হায়খিবা নীংতম লান্মীগী লুচিংবা হায়বদু কনানো ? ইরায় লায়না খুমলকই, "ফিদেল কাস্ট্রো " মতমদুদা ঐহাক ফিদেল কাস্ট্রো কনানো হায়বা খঙলমদে। ঐনা মখা তানা মহাক কনানো হায়না হংখি। "ফিদেল কাস্ট্রো" খঙদবা ঐসে অঙাওবা তাখি। বস দ্রাইভর অদুনা মখোয়গী নেসনেল এন্থেম তানিংব্রা হায়দুনা অমুক বস মনুংদা পুশিন্দুনা মহাক্কী বসকী টেপ রেকোর্দ খোংদুনা তাহল্লি। ঐনা করি হায়রিবনো খঙদে হায়রুবদা মহাক্না ইথোল্লগা ঐঙোন্দা পীরকখি।

**CUBAN NATIONAL ANTHEM**

"Al combate, corred, bayameses, Que la
Patira os contempla orgullosa,
No temais una muerte gloriosa
Que morir por la Patria es vivir...."

***English translation***

"Hasten to battle, men of Bayamo,
For the homeland looks proudly to you.
You don't fear a glorious death,
Because to die for the country is to live!
To live in chains
Is to live in dishonour and ignominy.
Hear the clarion call,
Hasten, braves ones, to battle !"

**Fidel Castro গী মরমদা খরদং**

কোলোনিএলগী মমি মুৎতবা অমদি মীনাই নাইথাংগী লৈঙাক্তা পেন্নদ্রবা ক্যুবানশিংনা কুমজা চহী ১৯৫৯ অসিদা মহাক্কী লুচিং মখাদা Cuban Revolution Party হায়বা মীওই ৮২ খক্তনা শাবা নীংতম লানমী খুৎপু অমা লীংখৎখি। মখোয়না গুরিলা অমদি সাবোটেজ



*Fidel Castro*

টেকটিসশিং (Gurrilla and Sabotage tactics) শীজিন্নদুনা লানহৌরকখি। মীওই কয়া শিখি। কুমজা চহী ১৯৬৫ দা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা পুনশিন্দুনা ফিদেলনা অহানবা সেক্রেটরী ওইদুনা থবক হৌরকখি। চহী কয়া ক্যুবাগী মমিং লৈরবা নীংতম লান্মীগী লুচিংবা ওইরকখিবা শীংথানরিবা মীশক অমনি।

লালহৌবগী লুচিংবা অমনা করম্না ফোংনা থোকলক্তুনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলগদবনো ? করম্না মখোয়গী পুলিসনা মদুবু য়ারিবনো ? মখোয়গী লালহৌবগী মওং অসিনা করম্বনো ? ৱাহং কয়ানি হংনিংলিবা, মসি অঙকপা অমনি। কোন্না খঙলকই, ফিদেল কাস্ট্রো মখোয়গীদি লাইনা থারকপা তাইবঙ মপুগুম্বনি। লাইগী পাউজেল পীবদা কনানসু অফা-অপুন তৌনদে। মীয়ামগীদমক কৎথোল্লবা লুচিংবনি। লোইনমক্লা য়াই। মসিগী মরম লৈফম থোকলোইদ্রা ? বস দ্রাইভর অদুনা মখোয়গী লালহৌবগী লুচিংবা অমনা ৱা ঙাঙগনি হায়বদুদা ঐনা খল্লকখিবনি।

**কিচুৱাশিংনা চাক্লৌবা**

ঐখোয়গী অহানবা পর্ফোমেন্স লোইখিবা মথংগী নোংঙানবদনি। ঐখোয়গী ট্রুপ লিদরনা, "ইভিনিংদি পার্টি অমা চৎপা তারি। মখোয়গী লমসিগী ইন্দিজিনিয়স কাঙবু অমনা কৌজবনি" হায়না পাউ অমা পীরকই। ক্যুবা সিটিসিদবু করিগী, কদায়দগী ইন্দিজিনিয়সনো ইতোমতা খনখি, থোইনা লুশিন্নদি খল্লুদে। ঐখোয়বু পার্টি কৌরিবা অসি, লমদমদুগী মমিং লৈবা ম্যুজিকেল গ্রুপ অমনা ওইরমখি। মখোয়না ঐখোয়গী শক্তম অমদি পর্ফোমেন্স উবদা নুংশিবদগী নত্রগা পেঞ্জবা অমদগী চাক্লেন অসি কৌবনি। মখোয়গীদমক্তা প্রোগ্রাম মচা অমা উৎনবা ঐখোয়সু তান্নদুনা শেম্মী। প্রোগ্রামগীদমক্তা ঐখোয়গী শৈশকপী ইবেমহলনা, অতেনবা ঈশৈ, শাথেক্না কোন্নবা অমা, পুং যুগেগা লোয়ননা উৎনবা শেম্মী, অতৈ নুংঙাইনবা উৎপা য়াবা অমা অনী অমগা থৌরাং তৌই। হায়নখিবা মতম চানা মখোয়না লৌবা লাকখি। মখোয়গী কমপ্লেক্স অদু চাওই। মখোয়গী ওদিটোরিয়ম অদু পোৎ-চৈশিং য়াম্না লৈবনা পীক্লা অমদি চিন্না উই। মখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা ঐখোয়বু ওকলম্মী। ঐখোয় ওদিটোরিয়মলোমদা অদুম চঙলে। মখোয়গী ট্রুপ লিডর অদু নুপীমচা অমনা ওইরমখি।

মহাক্না ময়ামবু ওকপগী ৱারোল অমদি মখোয়গী ওর্গেনাইজেসন অসিগী অতেনবা ৱাফম খরা ফোংদোকলকই । মহাক্কী ৱাহৈদগী মখোয় অসি অশেংবা মেক্সিকান্নি হায়বা খঙখি। মখোয়না ঐখোয়গী প্লে উখিবা অমদি ঐখোয়গী শকফমশিং উরুবদগী হেন্না নক্লা উন্ননিংবা অমদি নুংশিবা ফাওরকপদগী ঐখোয়বু ওকচবনি হায়রকই। ঐখোয় উবদা মখোয়গী নক্লবা মরি-মতা অমগুম্না খল্লি, মখোয়গী মবুং-মৌপ্বা, মচল-মচেশিংগুম্না উরকই। মমাংদা ঐনসু হায়জখ্রে, ঐখোয়সু অহানবা উবদা মখোয়দা ফাওরিবা অসুম্না ফাওখিবনি। অহানবা ওইনা মখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিং উৎখি। মখোয়না শীজিন্নগদবা ইন্সট্রুমেন্টশিং পুথোক্তুনা মাঙদা লোইনা থম্মী। শীজিন্নরিবা পোৎশিং অদু মখোয়গী মনাৎকী ওইবা ফোক ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্ট ঙাক্তনি। অয়াম্বনা শারু-ঙারু,মোইবুং মচী পানবা য়াম্না শীজিন্নে। নুপা আর্টিষ্ট অমনা মথন্তনা মথং-মথং অমমম পায়খৎতুনা মহাক্কী অহৈবা উৎলকই। মখোয়গী ট্রুপ লিডরনা লুচিংদুনা মখোয়গী অঙনবা মতমগী হান্না শীজিন্নরম্বা ম্যুজিক্কী মওংদগী হৌজিক্কী ওইরক্লিবা ৱের্স্টন ম্যুজিক অসি করম্না লাকপগে হায়বসিমসু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলকই। অহানবদা মখোয়গী ম্যুজিক হৌরকপসি শরু-ঙারু য়ৈদুনা, উকক, উপু থীন্দুনা, শাগী মচীদা, মোইবুংদা কামদুনা হৌরকই। মথং-মথং চাওখৎলক্তুনা সক্সেফোন, ট্রমপেট, গিটার, ভাইওলিন, ড্রমশিং শীজিন্নরকই হায়বসি ময়েক শেংনা উবা ফংহল্লি। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা মখোয়না থীল্লিবা পুংলোনশিং অরুবা অমত্তা য়াওদে। ফোক ম্যুজিক্কী মচৎনি। পুংলোন অয়াম্বা তাবদা ঐখোয়গী পুংলোনগা মান্নবা য়াম্না য়াওই। হিন্দুস্থান্নি ম্যুজিক্কী তালশিং-খেমগুম্বা, কেহরুৱাগুম্বা, দাদ্রাগুম্বা পুংলোনগা মান্নবসু য়াম্না থেংনখি।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

***(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)***

# লাংদা থুরবা জীব অমা

—ইবেমু থাংজম—

***লমদমসিগী*** মীওই কয়া হিংনবগী লানফমদা থবক থিরি, থবক পীগনি হায়না রেদিওদা, টেলিভিজন্দা, পাউচেদা কন্না ইনরকই। হন্দকসে ভোট ময়াসিদা করি থোক্লগবনো। ভোটকী পৈশাবু খোল্লিব্রা খঙদে। দিমোনেটাইজেসনগী অকনবা ঈরাং মরকসিদা কদাইদগী পৈশানা ৱানোমগদৌরিবা থবকনো? অচুম্বা তৌরনিদি হায়, হন্দক্তি শেল কায়বসু য়াদনা, চেক মনানা থবক ৱানোম্বা য়াব্রনে? সনা কাইথোকপা লৌবীনবা কনাসু লৈতে। লৌ য়োনবা শিৎপা মতাংসু নত্তে অদুবু থবক ফংগনি হায়বগী আশাদা মী খুদিংমক পূক্লিং মরাং মরাংনৈ। তুমিন তুমিন পংচৎতা চৎনৈ এম এল এগীদা, মন্ত্রিগীদা।

অরাপ্পা খুঙ্গংগী মীওই অমনা থবক্কী পরিক্ষা থানবা হোৎনবদা ইম্ফালদা হঙ্গৎ হন্দা চৎপা অরাইবা থবক নত্তে। একচেঞ্জদা কার্ড থানবা হোৎনবা, ফোর্ম লৌনবা, থাজিন্নবা হোৎনবা, মতম, শেল য়াম্না চঙনা হোৎনবা ঙাক্তনি। ইচে ইবেচাউবীগী মচানুপাদু মমানা য়াম্না লুনা তৌজবনি। মচে অনী ময়ূম পানখ্রবা তুংদা মমানা কন্না ললোন ইতিক তৌদুনা হোৎনবদগী মচানুপাদু বি এ ফাওবদি পাস তৌজখ্রবনি । চহী অমা অনীগী মমাঙদগী পুলিস খনগনি হায়দুনা লমজেলবু চেনবনে, চোঙবু চোঙবনে য়াম্না কন্না হোৎনজবনি।

- হন্দক্কী অসিদি শোয়হল্লরোইসি নুপামচা ঐগী আশা হায়ববু নঙনিকো (ইবেচাওবীনা মচানুপাদা এঞ্জাং মন্না মন্না হায়)।

- ইমা লুপা লাক্ষ ৪/৫ পীদ্রবদি লমজেল চেল্লবসু করিসু কান্নরোই হায়রিদা। রিটর্ন টেষ্টপুদি অদুম ঙমনিদা অদুবু লেম্নদি করিসু হাপ্পীরক্লোইনে।

ইচে ইবেচাওবী মচানুপা বিমোলনা হায়রিবদু মুন্না তাই। খল্লি, শোয়ররোইদবা লৈরবদি ইঙ্খোল মচেৎ অমা লৈরিবসি বনধোপ থম্বা তারে। ওফিসার, চ্যেরমেনসু খুলোন্নবা খুঙ্গংদা লৈবা মশক নাইবা অফবা মীনি। মঙোন্দা পৈশা খরা য়ৌরবদি শোয়দনা থবক মহয় য়ানগনি হায়বসি ইবেচাওবীগী থাজবনি। লৈকায়গী প্রধান প্রভাহিনি তানৈ- খরদি থিন্দবা য়ারোইদৌরি। ইঙ্খোল মচেৎতু মহাজন ধঞ্জয়দা বন্ধান থমদোক্লে । চে ইনরে।

হৌজিক্তি ইম্ফালগী মচি অমদা মমা মচা অশানবা য়ূম অমদা লৈরি। বিমোলনা ৱাকর্শোপ অমদা থবক য়াওরি। মমা ইচে ইবেচাওবীনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা নোংমগী অফং-অফংবা পোৎ য়োন্দুনা ইমুং পুরি। মচাগী থবক হায়দোকপা ঙাইরি।

কৈথেলদগী হল্লক্লগা চাক থোংনা থোংনা ইবেচাওবী মঙ মঙলি। মচানা থবক হেক হায়দোকপগা খুন্দা চৎতুনা মমা-মচা, শাগৈ-নাতৈ উনরুগে হায়না। হন্দক্কী নিঙোল চাক্লৌবদু মচা নিঙোলশিংদু অমত্তা লাকখিদে, ইবুংঙোনা থবক খল্লক্লগা লাক্কে হায়না। ইবেচাওবী থম্মোয় কাই। মশুশিংগী মফি মরোল খরা লৈরগা থিল্লুবনি। হল্লকপা লম্বীদা মাগী ইঙ্খোলদা চংলকখি - মহাজন্না শম্বল খাদুনা এঞ্জাং নাপী থাদুনা লৈহৌবদো নীংশিংলি।

- তাদা করিগীনো ঐগী ইঙ্খোলসে পুময়োন য়োন্থোকপসু নৎত্রি, দোখোন তৌবিরিবসি করি ধর্ম্মনো?

- ইবেমা নমা নচানা ইম্ফালদা অদুম লৈখিবদুদা তাদনা শেল য়াম্না চঙনা শা-ষণ ঙাক্নবা শম্বল খাদুনা এঞ্জাং থারিবসিবু ফজদ্রনে। নঙসু নখূৎনা ফংনা হেকখো- চামিন্নসি। নখোয়গী লম তাদনা লৌরোই তৌবগীদি চহী অনীদি হেলক্লেদো শেন্দোয়সু পীরকপা নত্তে।

- তাদা ইচানুপাসু কন্না হোৎনরি। মরুপ মপাং য়াওদুনা শোয়দনা হন্দোকচগনি। থবকসু হন্দক ভোট মমাঙ অসিদদি শোয়দনা হায়দোরক্কনি হায়রিদো।

হল্লকপগী লম্বীদা বস মনুংদা ইবেচাউবী মপী শিন্থে, ওন্থোকপগী থবকনিকো- ঐনা করিগুম্বা খঙহৌদনা অমং য়াইথোং কুমখিবা থোক্লবা ইচানুপা অসি করম তৌহৌগনি। ইমা ইচা মরক্তা লৈবসু নৎত্রে। ময়ূম মকৈ পানবগী থবকসু মতাং মতম্না ওইথোকপা য়াদ্রি। হকচাংদি অসুম অসুম নুংঙাইরকত্রি। খঙদ্রে শেম্বীবা মপুনা করিবু তম্বীরিবা। গাড়ী মনুংদা মীয়াম ৱারী য়াম্না শানৈ- মণিপুরদা পি আর লাক্লগনি, হৌজিক চথুরিবা যু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদ অসিনা লোইশিনবসু লৈত্রি। মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অসি য়াম্না শোকচিল্লে অদুবু ফরকপা কৌবা লৈতে। চীংদা ভোট তৌবা য়াররোই হায়বনচিংবা কয়া ইবেচাওবী উইরোন শারোন ফম্না ফম্না তাই। মনিংদা অঙাং অমসু কন্না কন্না কপখৎলকই। মমাদুনা থেম্নবা হোৎনরি। মরক মরক্তা বসতু খামদুনা মী ফনা য়াম্না কুমথনহৌরে। হন্দক্তি ইবেচাওবীগী অশানবা য়ূমগী লৈরক য়ৌরে। বস খাম্মী। তপ্পা কুমথৈ। মখোংদু লুমনা লুম্না থাংদুনা ময়ূমগী থোঙজিন য়ৌরে। ৱাখলনা লুল্লবা ইবেচাওবী ফমুংদা হিপথখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবদা দেল্লিদগী য়াথং তাওথরকখি, ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরনি। ৱারীসি পুং ১/২ তাবা অদুৱাইদা ইম্ফালদা নত্তনা মণিপুর শিনবা থুংনা পাউ অসি শন্দোক্নরকখি। বিমোলনা থবক শুরিবা ৱার্কশোপ অদুদসু তাবা ফংখি। পাউ অদু তাবদা বিমোল ৱাখল লংলা লংজিন মাঙখিবগুম তৌখি। আশাগী থাউমৈ তপ্পা তপ্পা মমশিল্লকই । মখোয়গী খুঙ্গংগী পীক্লবা ইঙ্খোলদা লৈবা খাংপোকশঙ অদু মমিত্তা মশেক মরাং উরকপগা লোয়ননা খল্লকখি লৈঙাক্কী থবক তৌনিংলুবগী মহয় হায়বদু অসিরা?

নুমিদাংৱাইনি বিমোল তপ্পা ময়ূমগী থোংজিল কাননিশল্লকই। ইমা, ইমা। ইমাসে মশা ঙমদ্রমাল্লে হায়দুনা ফমুংদা হিপলিবা মমাবু চঙদুনা হৌদোকই। ইমা নশা ঙমদ্রবরা? মমাগী মখোং-মখূৎ পুমইং ইংদুনা লৈরম্লে। ওহ! ওন্থোকপনি, মীয়ামগী ঈ থক্লিবা শেঞ্জা থুমজাগী লাং অসিদা করিগী থুরুবা। সনাগী শজি পাম্লুবা সীতা অৱাফমদা তারেদো।

ইমা! নহাক চৎলব্রা? অমুক্তং কন্না লাউরম্লগা মমাবু কোনশিন্দুনা ওন থোইনা কপখি।